# স্পোর্টসতা অশোক-অপন থোক্তুনা লৈখিদবা অমসুং হিংহৌবা



ফিল্ডিং তৌরিঙৈদা কোক্কী চুবাদা বোলনা পানবদগী শোক্তুনা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রবা রমন লম্বা



কেমরুনগী ফুটবোল শান্নরোয় মার্স-ভিভিয়ন-ফো মশা মথন্তা ৱান্থরক্তুনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপা





গোল চনবগী হরাউদুনা মথন্তা হন্না হন্না চোঙখৎপদা খোঙফম চাদনা তারকপদা য়াংলেন শরূ শোক্তুনা লৈখিদ্রবা পেটর বিয়াকসাঙজুৱালা

—লৈশাংথেম অজিৎ—

**চহী** খরগী মমাঙদা পাঙ্গৈদা লৈবা স্কুল অমদা মহৈরোয় অমনা তা (জেবলিন) লংবদা মহাক্কী মরুপ অমা মকোক্তা থিন্দুনা শিখি। তা লংখিবা মহৈরোয় অদু ৱাখল য়াম্না নুংঙাইতনা ইকায় নুংশি য়ানদুনা নীংঙমদবগা লোয়ননা মহে তম্বা চৎখিদে। লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অদুগী অপোকপা অদু লাক্লগা হন্না হন্না থেমজিনবদগী মহাক হান্নগী ফীভমদা লাকখি। মমান্নবশিংগা লোইনদুনা মহে নীংথিনা তমথবা অমুক হৌখি। জর্মনিগী দসলদর্ম সহরদা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা নুপীমচাশিংগীদমক্তা ৱিলহেলম অঙ্গর গেমস হায়বা চহীগী ওইনা পাঙথোকপা শান্ন-খোৎনবদা অথোই-অহেন তান্নবগী অচৌবা স্পোর্টস অমদা চহী ৭৪শুরবা দিইটর ষ্ট্রেক কৌবা তা লংবগী জজ অমা তা লংবগী অশাংবা হায়বদি তা অদু কয়া য়াম্না শান্না লংবগে হায়বা খঙনবা মিজরিং টেপ অমা পায়রগা চঙখিবদা এথলেট অমনা তা লংশিল্লক্তুনা জজ ওইরিবা ষ্ট্রেক্কী চুবাদা তা অদুনা থিনবদা মঙকশম য়ৌখিদুনা শীংলি অচৌবা অমা তৎখি। মহাক এথলেট অদুনা তা অদু লংলকপদা (নুংশিৎতা পাইদুনা চৎলিঙৈগী মতমদা) তা অদুনা য়ুংগদবা (তারক্কদবা) সেক্টর মনুংদা চেনশিল্লুবদা খুদোংথিবা অদু থোকখিবনি। মহাক হোস্পিটালদা পুবদা শিখি। চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্না তা লংবগী জজনা লংলক্লিবা তা অদুনা লৈমায়দা তাদুনা লৈমায়দা থিন্দ্রিবা ফাওবা সেক্টর মনুংদা চেনশিল্লোইদবনি, চঙলোইদবনি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা জজ ফাওবা অসিগুম্বা হৈনবী অসি অসুমক তৌবা য়াওই। পঞ্জাবকী মোগা কৌবা মফমদগী কিলোমিটর ২১ রোম চৎলগা লৈবা খুঙ্গং অমদা লৈবা লৈঙাক্কী হায় স্কুল অমদা হির সিংহ কৌবা ক্লাস নাইন তম্লবী অমনা ফুটবোল শান্নরিঙৈদা বোল অদু থংনবা লম্পাক অমদা চঙখিদুনা হির সিংহনা বোল অদু লৌবা চঙখিবদা মফম অদুদা তা লংদুনা লৈরম্বদগী তা অদুনা মথবাক্তা থিনখি। মসি নুংথিল পুং ১.৪৫দনি। নুংতিগী থবক শূরগা চরা তানবা ইমুংদা পোকপা মহৈরোয় অদু খুদক্তা শিখি। থা অনীরোম লৈরগা নেসনল থাক্কী শান্নরোয় নুপীমচা অমা লুধিয়ানাদা প্রেক্টিশ তৌরিঙৈদা মকোক্তা হেম্মরনা পান্দুনা শিখি।

মতৌ অসুম্না শান্নবদা অশোক-অপন থোক্তুনা শান্নরোয় কয়ামুক্কী পুন্সি মাঙখিবগী ৱারীশিং ঐখোয় পূম্বনা খঙনরি। মালেমদা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্নরিবা ফুটবোল শান্নবদসু অশি-অনা কয়ামুক য়াওখিবগুম্না অতৈ অতৈ মশান্নশিংদসু অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোক কয়াশিং ঐখোয় মীয়াম্না থেংনরি। ফুটবোল শান্নরিঙৈদা শিখিবগী অয়াম্বা মরমদি হার্ট এটেক তৌরকপা অমদি অশোক অপন থোকপনা অয়াম্বনি। ফ্রান্সকী লেয়োন কৌবা সহরদা পাঙথোকখিবা কনফিদরেসন কপকী কেমরুন অমসুং কলম্বিয়ানা শান্নখিবা মেচ অমদা কেমরুনগী মার্স-ভিভিয়ন-ফো কৌবা মমিং লৈবা শান্নরোয় অমা মশা মতোমতা ৱান্থরক্তুনা শিখি। মতৌ অসুম্না মশা মউ ফবা, চাং নাইনা শাজেল তৌবা শান্নরোয় অমনা লৈখিদবা অসিবু ডাক্তরশিংনা Hypertrophic Cardiomyoathy হায়না খঙনৈ। মসি মীওই অমগী হার্টকী অশোয়বা অমা লৈবনা থোকহনবনি।

অমরোমদা ফুটবোল শান্নরোয় অমগা অমগা শান্নরিঙৈদা থেঙ্গাইনদুনা অশোক অপন কয়ামুক য়াওখিবগী মরক্তা শিখিবা কয়ামুকসু য়াওখিবগী রেকোর্দ লৈরি। মসিগী মথক্তা কুমজা ২০১৪গী ওক্টোবর ১৪দা মিজোরামগী বেথলেহেম ভেঙথলাঙ ক্লবকী শান্নরোয় পেটর বিয়াকসাঙজুৱালানা চান্দমারি ৱেষ্ট কৌবা ক্লবকা শান্নবা মেচ অমগী মিনিট ৬১শুরকপদা পাঞ্জল অমা চনবদা হরাউবা ফোঙদোকপা ওইনা হরাউদুনা মথন্তা হন্না হন্না চোঙখৎপদা খোঙফম চাদনা তারকপদা য়াংলেন শরূ শোকখিদুনা শিখি। অদুবু শান্নরিঙৈদা শিখিবা অয়াম্বদি থম্মোয়গী লায়নাগা মরী লৈনবনা অয়াম্বা ওইনা তৌই। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি ক্রিকেট শান্নরোয়শিংদসু তোয়না থোক্কল্লি হায়বা য়াই হায়না মীয়াম্না লৌনরি। ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী মরক্তা হার্ট এটেক্তা শিখিবা কয়ামুক য়াওরি। তৌইগুম্বসুং ক্রিকেট বোলনা পানখিবদগী (থাবদগী) শিখিবা শান্নরোয় কয়ামুক লৈখিবগী মরক্তা পনবা য়াবদি উত্তর প্রদেশকী ইন্দিয়াগী টেষ্ট শান্নরোয় ওইরম্বা রমন লম্বানি। মহাক বাংলাদেশকী ক্রিকেট লীগতা ধাকাগী অবাহানি কৃরা চক্রা কৌবা ক্লব অমগী মহুৎ শিন্দুনা ধাকাগী বাংলাবোধু ষ্টেদিয়মদা কুমজা ১৯৯৮দা মোহামদন স্পোর্টিং ক্লবকা ফেব্রুৱারী ২০দা প্রেমিয়র দিভিজনগী ফাইনেল মেচ শান্নবদা মেহরাব হোসেন্না থোন্নকপা বোল অমনা মহাক্না ফোর্দৱার্দ শোর্ট লেগতা ফিল্ডিং তৌরিঙৈদা কোক্কী চুবাদা বোলনা থোন্নকপদগী শোক্তুনা লায়কন্নবা ঙমদনা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা হোস্পিটালদা লৈখিদে। মহাক হেলমেট উপখিদে। মতৌ অসুম্না থৌদোক কয়ামুক্তা নুংঙাইতবা ফীভমশিং থোকখি। অসুম্না ৱাশিম অলি হার্ট এটেক্তা, দাররেন রেন্দালনা মকোক্তা বোলনা থোমখিবা অমসুং ফিলিপ হগসনা মঙকশমদা বোলনা থোম্বদগী লৈখিদে।

ওলেম্পিক্কী সাইকল থৌবা তান্নবদা সনাগী মেদল অনী ফংখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী রসেল মোকক্রিদজনা কুমজা ১৯৫৮দা টুর-দি-গিপসলেন্দ হায়না খঙনবা মাইল ১৪০ শাংবা সাইকল লমজেল অমদা শরুক য়াবদা মহাক্কী নুপী অমদি চহী অহুমগী মচানুপী অমগনা কারদা ইন্নদুনা চৎলম্মী। লমলোং মরি ফাংবা মফম অমদা সাইকল লমজেল য়াওরিবা শান্নরোয় তরেৎনা মথং মথং পুল্লপ লান্থোকপদা নাকন্দগী থৌজিল্লকপা কার অমনা রসেল মোকক্রিদজবু থেংজিনবদগী খুদক্তা মহাক্কী নুপীগী মমাঙদা থৱায় থাখি।



*ফিনলেন্দগী তেরো পিটকামাকিনা লংলকপা তা অমনা থিন্দুনা কিদনি অমসুং লিভরদা শোকপদগী উচিন নাচিন্না হিংহৌরবা ফ্রান্সকী লোংজম চোঙবগী রেকোর্দ পায়রিবা সালিম সদিরিন*

এথলেটিক্সকী থৌরমদা তা লংবদা চেকশিলহৌদবদগী মীওই কয়া শিখিবগী মখা চথুরকপা ওইনা ফ্রান্সকী লোংজম চোঙবগী রেকোর্দ পায়রিবা সালিম সদিরিনা থৌরম অদুদা মিটর ৮.৪২ চোঙবা ঙম্বখক্তা নত্তনা লৈবাক অদুগী ইন্দোরগী রেকোর্দসু মিটর ৮.২৭তা পায়রি। মহাক মেদিটরেনিয়ান গেমসকী লোংজম্পতা সনাগী মেদল অনীরক ফংলে। মহাক কুমজা ২০০৭কী জুলাই ১৩দা রোম সহরদা ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না শিন্দুনা পাঙথোকপা আই এ এ এফ গোল্ডন লীগতা শরুক য়ারিঙৈদা ফিনলেন্দগী তেরো পিটকামাকিনা লংলকপা তা অমনা থিন্দুনা কিদনি অমসুং লিভর শোকখি। অদুবু মহাক্তি উচিন নাচিন্না হিংহৌখি। তেরো পিটকামাকিনা তা লংবদা মখুৎ নান্থোক্তুনা তা অদু ফৈরেংননা লংখিদুনা লোংজম্পতা শরুক য়াগদবশিং অদুনা ৱার্মিং অপ হায়বদি হকচাং শাগৎনবা শাজেল তৌদুনা লৈরিবা মায়কৈরোমদা তা অদু পাইশিল্লক্তুনা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মহাক রোমগী হোস্পিটাল অমদা পুখি। অদুবু থোইদোক্না খুদোংথিবা থোক্কদবা লৈতেহায়দুনা ট্রিটমেন্টখরা তৌরগা থাদোরকখি। ডাক্তরনা খনবদি মরুওইবা হকচাংগী শিবা য়াবা শরুক অমত্তা শোক্তে। অসিগুম্বা শরুক শোক্কদবা সেন্টিমিটর ৪ ৱাৎলি হায়বা অসিনি। নুমিৎ নীনি লৈরগা হোস্পিটালদা অনাবা হেনজিল্লক্তুনা অমুক পুখৎখিবদা তগী মচিন অতুম্বা অদুনা মহাক্কী লিভরদা মখুল অমা হুৎলে অমসুং য়েৎথংবা কিদনিসু হোরে হায়বা খঙলকখি। থা কয়ামুক লায়েংদুনা পোত্থারবা মতুংদা মহাক্না কুমজা ২০০৮কী ঙল্লিঙৈগী মতমদা বৈজিং ওলেম্পিক্তা শরুক য়ানবা হোৎনবদা মায় পাকখিদে। অদুবু কুমজা ২০০৯গী জুন ১২দা মহাক্না মহাক্কী মমাঙদা হান্না ফ্রান্সকী রেকোর্দ পায়রম্বা অদু কেন্দর কলোচিবু মায়থীবা পীদুনা কুমজা ২০০৯দা বার্লিনদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিবদা তরুকশুবা তাখি। মহাক্কী হোৎনবা কনবনা মহাক মালেমগী লোংজম্প চোঙবশিংগা মায়োক্নবা ঙম্লে।

# এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক










-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

পীক্লিবা, নৌরিবা অঙাংশিং, নুপীজাশিং অমদি তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলূপকী নেচরেল ওইবা, চাহৈদবা চিঞ্জাক ষ্টেরোইদস, হোর্মোন অমদি অতৈ হীদাক্লচিংবা চাজদ্রিবা শান্নরোয়শিংনা মনীংতম্না নেচরেলগী ওইবা ফম্বাক্তা থোকচদুনা মখোয় মখোয়গী হোৎনজমনগী মতুং ইন্না ফংফম থোকপা মেদলশিং অমদি মীংথোলনচিংবা ফংজবদা মখোয়গী মায়থোংদা তারিবা নুংঙাইজবা, হরাউজবগী মোমোন মীনোকশিংদু উরুবদা নেচরেল স্পোর্টসপু শৌগৎচদুনা নেচরেল স্পোর্টসকী ফীভম পুথোকপা পামজবা, আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা ঐহাক্কী থম্মোয়দা কয়াদা নুংঙাইজবা পোকচবা খঙবীরমদবসু য়াই অতোপ্পনদি।

অনীশুবা ‘এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ থা অসিগী ২৫দগী ২৭ ফাওবা সাউথ কোরিয়াগী সিওল সিটিদা পাঙথোক্লগনি। মমাঙ চহী ২০১৭কী থা অসিমক্তদা সিওলদা অহানবা ‘এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ অসি ঐহাক্না আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা ফম পুবা হৌখিবা মতমদুদগী পাঙথোকপা হৌখিবনি। মসিগী মমাঙদা আই এন বি এ (ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন) গী নেচরেল ওইবা, হায়বদি ষ্টেরোইদস, হোর্মোন অমদি অতোপ অতোপ্পা মখলগী ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিনা থিংলবা পোৎলমশিং শীজিন্নদনা মশা মউ ফবগী লমদা শান্নজবা শান্নরোয়শিং অসিগী ওইবা চাংদম্নবসি পাঙথোকখিদ্রি। মালেমগী ওইনা বোদিবিল্ডিং অমদি ফিটনেসকী এসোসিএসন অমদি ফেদরেসনশিং য়াম্না লৈ। মখোয়নসু চহী খুদিংগী মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা কয়া পাঙথোক্লি। করিগুম্বদা ময়াই কাবা দ্রগ চাবগী টেষ্ট তৌই অদুগা করিগুম্বদনা তৌদে। তৌরবসু মমিংগী ওইনা অয়াম্বা তৌনৈ, মরুওইনা কুমজা ২০১১গী মতুংদগী। অদুবু আই এন বি এদি শুকলেপ লেপ্তুনা ঙসি ফাওবদা দোপিং টেষ্ট তৌবা চথুরক্লি ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ খুদিংমক।

আই এন বি এগী ‘এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ অসিগী সিটি অমদা পাঙথোকচবগী মরুওইবা পান্দমদি এসিয়াদা লৈবা নেচরেল এথলেটশিংনা য়াম্না লাপ্না য়ু এস এ, য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিং, ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যুজিলেন্দ অমদি অতোপ্পা অরাপ্পা লৈবাকশিংদা চৎলুদ্রবসু নক্না ইন্টরনেসনল ওইবা চেম্পিয়নশিপশিংদা য়াওজনবগী অদুগুম্বা ফম্বাক অমা পীদুনা মখোয়না চাহৈদবা, থিংলবা পোৎলমশিং শীজিন্নদনা মপুন্সি চুপ্পা হকচাং ফনা লৈজবা ঙম্নবা হোৎনজবনি। মসিনা এসিয়াদা লৈজবা শান্নরোয়শিংনা ইরাপ লাপ্না চৎতবীদা শেল ইতিং তিংদনা নেচরেলগী ফম্বাক্তা শরুক য়াবগী তাঞ্জা অদু পীবিরি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ‘এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ অসিনা ঐহাক্কী প্রসিদেন্ট ওইনা পুবগী মখাদা পাঙথোক্কদবা অনীশুবা চেম্পিয়নশিপনি। মসি এসিয়াদা পাঙথোকচবগী ৱাতনি মালেমগী মফম খুদিংমক্তগী লাক্তুনা য়াওবা য়াবা অদুগুম্বা মালেমগী ওইবা চাংদম্নবনি। মমাঙগী কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা অহানবা ‘এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ তা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী শান্নরোয়শিং, জজশিং অমদি ওফিসলশিং লাক্তুনা য়াম্না চাউনা মায় পাক্না পাঙথোকখি সাউথ কোরিয়াগী সিওল সিটিদা।

আই এন বি এগী য়াম্না মরু ওইবা অতৈ এসোসিএসন অমদি ফেদরেসনশিংগী খেন্নবসি দ্রগ চাবশিংগী ওইবতা নত্তনা হায়রিবা মালেমগী মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা অসিদা চহী ৮গী মখাদগী হৌরগা চহী ৮০গী মথক্কী ওইবা ফাউবগী তোঙান তোঙানবা মখল কয়াগী চাংদম্নবগী তাঞ্জাদু ফম্বাক অসিদা পীবিরি। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা, মমাঙগী চহীদা অঙাংশিংগী চহী ১৩গী মখাদা ইচানুপী Bem Bem/Chen En-Hsien অমদি ইচানুপা Bung Bung/Chen Hsiu-Hsr অনীমক টাইৱানগী সিটিজন ওইজরবসু মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা থোকহনখিবদা অহানবা মনা ফংলক্তুনা ইরমদম কংলৈপাক্কী মচু তরেৎকী ফিরালবু মনীং তম্না পাইহনখিবনি। অহল ওইরবা শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎতুনা মশা মউ ফনা নুংঙাইনা লৈজনবা হায়দুনা মখোয়গীসু তোঙান তোঙানবা গ্রুপ থাদুনা চহী খুদিং পাঙথোক্লি। অসুম্না হেক নৌরিবা অঙাংদগীনা অহল য়াম্না ওইরবা মীওই কয়াবু নেচরেল ওইনা লৈনবা পূক্লিং থৌগৎপীরি।

মমাঙ চহীদা আই এন বি এ অসিগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা নেচরেল এথলেটশিংগী ওইবা খ্বাইদগী ইহান হানবা নেসনলগী থাক্তা ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ফোর এগ্রিকলচর ওদিটোরিয়মদা অহানবা ‘লেজেন্দরি মিষ্টর মাইপাক এন্দ ডা. ঙাংবম মীতৈ নেসনল লেভেল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ পাঙথোকখিবনি। অদুগুল্লবা নেচরেলগী ফম্বাক অদুদা পামজবা চহী ১০ শুদ্রিবা নৌরিবা অঙাংশিংদগীনা অহল ওইরবা মণিপুর অমসুং অতোপ্পা মপান ষ্টেটশিংদগী পূন্না শান্নরোয় ১০০ হেনবনা শরুক য়াখিবনি। অসুম্না অসিগুম্বা নেচরেল ওইনা শান্নজবা অঙাং, অহল চহী খুদিংমক্তা লৈবা নেচরেলগী শান্নরোয় খুদিংমক্কী ওইবা অসিগুম্বা নেচরেলগী ফম্বাক অমা মায় পাক্না শিনখিবদা কয়াদা নুংঙাইজবা অমদি চাউথোকচবা ফাওজখিবা ঐহাক্কী থম্মোয়দা আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা।

চৎলিবা মে ২৫দগীনা ২৭ ফাওবদা সাউথ কোরিয়াগী সিওল সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ‘এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ অসিদা মণিপুরদগী ইন্দিয়ন ফিটনেস এন্দ বোদি বিল্ডরস ফেদরেসনগী নোর্থ ইষ্ট জোনেল সেক্রেটরি রাজকুমার রাকেশ অমদি মোইরাংথেম রঞ্জিৎ মৈতৈ টিমগী ওফিসল ওইনা নেচরেল শান্নরোয় ৪ অমগা মখোয় পূন্না ৬ শরুক য়াগদৌরি। কুমজা ২০১৭কী মমাঙদদি এসিয়াদা আই এন বি এগী ওইবা নেসনল নৎত্রগা ইন্টরনেসনল থাক্কী ওইবা আই এন বি এ চেম্পিয়নশিপ অমত্তা লৈরমদবনা নেচরেল শান্নরোয়শিংনা মালেমগী ওইবা থাক্কী মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা য়াওনবগীদমক লাপ্না, শেল য়াম্না তিংনা, মতম চঙনা অমদি চৎথোক-চৎশিনগী চে-চাং তান্নবনচিংবা হোৎনবদা অৱা-অনা কয়া থেংনখিবনি। অদুবু ঙসিদি পূম্নমক অদু য়াম্না লায়না থোক্লে-চৎথোক-চৎশিনগী চে-চাং তান্নবদা মতম য়াম্না চঙদ্রে, এয়রপ্লেন টিকেটকী মমলসু য়াম্না হন্থরে, পাইবগী মতমসু তেনশিল্লে অদুগা ইন্টরনেসনলগী ফম্বাক্তা য়াম্না সেল্ফ কনফিদেন্স লৈনা য়াওবা ঙমজরে। চে-চাং তান্নবগী অমদি শেল-থুমগী ফীভমসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা লৈবা লৈবাকশিং অসিগী শান্নরোয়শিংনা খিৎ হেল্লি ৱাজবা চে-চাং তান্নবদা, চৎথোক-চৎশিনগী অমদি কম্পিটিসন য়াওরুনবগী শেল পুথোকপদা মরমদি লায়রবা লৈবাকশিং ওইবনা। অদুবু ‘এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ অসিনা য়াম্নদি তাথহল্লে অৱাবা অমদি পোৎলুমশিংসি।

ঐহাক্কী লমজিং মখাদা, আই এন বি এ গ্লোবেল এসিয়ানা মতেং পাংদুনা মতম কুইনদগী মঙজরকপা মঙলান-আই এন বি এ ইন্দিয়া ঙসিদি লৈরে। আই এন বি এ ইন্দিয়াগী মখাদসু ষ্টেট অমদি নেসনল লেভেলদা চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপা হৌরগনি ইন্দিয়াদা চৎলিবা চহী ২০১৮সিদগী। টাইৱান্দদি আই এন বি এ টাইৱান ঐহাক্না প্রসিদেন্ট ওইনা লৈরকপা চহী ৩ হেল্লকপনা ৱর্ল্ড টাইটল ফংলবা শান্নরোয় মখোয় ৬তি পুথোকপা ঙমজরে লোয়ননা টোপ ৩দা লৈবা শান্নরোয় কয়া অমসু পুথোকপা ঙমজরে। মথং মথং কোরিয়াদা, জপান্দ, হোং কোং অমদি মালেসিয়ানচিংবদা লৈরক্লি আই এন বি এগী এসোসিএসনশিং লেপ্তুনা। এসিয়াগী লৈবাক খুদিংমক্তা আই এন বি এগী এসোসিএসন লৈহন্দুনা নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয়শিংনা নেচরেলগী ওইবা ফম্বাকশিংদা থোকপা ফংজনবা অমদি হৌরক্লিবা নহারোল কয়াবু চাহৈদবা চিঞ্জাক চাশিন্দুনা ঙাইহাক্কী ওইবা মঙলান্দা তাওবগী মহুত্তা নেচরেলগী লম্বীদা পুশিন্দুনা হকচাং ফনা পুন্সি নুংশাংনা, নুংঙাইনা হিংজনবা মখোয়বু থৌগৎপীবা, শৌগৎপীবা লোয়ননা নেচরেল স্পোর্টসপু চাওখৎনবা হোৎনবনা ঐহাক্কী মরুওইবা ইথৌদাং অমা ওইরি ঙসি।

এসিয়াগী অচৌবা সিটিশিংদা আই এন বি এগী নেচরেল চেম্পিয়নশিপশিং পাঙথোকপদা নত্তনা মমাঙ চহী ২০১৭কী জুলাই ২৭তা নেচরেলগী ওইবা অহানবা ‘লেজেন্দরি মিষ্টর মাইপাক এন্দ ডা. ঙাংবম মীতৈ নেসনল লেভেল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ ইরমদম কংলৈপাক্তসু পাঙথোক্তুনা ইরমদমগী নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয় কয়াদা নেচরেলগী ওইবা ফম্বাক পীবিদুনা মখোয় মখোয়গী লৈকায়গী অমদি মরমদম কংলৈপাক্কী মীংচৎ উরোং পুরকপা ঙমখিবতা নত্তনা লমদমসিগী হৌরক্লিবা নৌরিবা শান্নরোয় কয়াবুসু নেচরেলগী লমদা পুশিনবদা য়াম্না চাউবা থৌদাং অমা য়ারি আই এন বি এ এসিয়ানা। ইকুই কুইদনা ইন্দিয়াদা ‘এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ অসি পাঙথোক্লবা প্লান লৈরবনি হৌজিক। অদুতা নত্তনা, ইরৈচাশিংনা নেচরেলবু অমদি নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয়শিংবু থৌনা পীবিদুনা অমদি শৌগৎপীদুনা নোংমদি ‘এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ ইরমদমদা শোয়দনা শাৎচবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈজে। অসুম্না অসিগুম্বা চাউথোকচনীংঙাই ওইরবা মালেমগী ওইবা মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা ‘এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ’ না ইরমদম কংলৈপাক নৎত্রগা ইন্দিয়াগী সিটি অমদা পাঙথোক্লবদি ইরমদম অমদি ইন্দিয়াগী নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয়শিং, শেল পায়জদবনা মপান লমশিংদা চৎতুনা য়াওজবদি ঙমজদবা, অদুগা নেচরেল ওইনা শান্নজদুনা মশা মউ ফনদি লৈজনীংবা অমদি নেচরেল স্পোর্টসকী অসিগুম্বা ৱাংলবা মালেমগী ফম্বাক্তা লেপচনীংবা শান্নরোয় কয়াগী মঙলান্দো মঙফাওনহনবসু ঐহাক্কী মঙলান কয়াগী মনুংদা অমনি।

-মথং-মথং